থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# ইম্ফালদা নেসনল জুদো চেম্পিয়নশিপ




কুমজা ১৯৭০গী ময়ায় চল্লকপা মতম অদুৱাইদা ব্রুস-লীগী 'এন্টর দ ড্রেগোন'না সিনেমা হোলশিংদা য়ৌরকখ্রবা তুং, 'হোং কোং'দা নম্বা অতৈ মার্সিয়েল আর্ট ফিল্ম কয়া মথং মথং পাইশিল্লকখি। মতমদুগী ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা অকনবা ইনোদ অমা হাপখি। মশীং খঙদ্রবা মার্সিয়েল আর্ট ফাইটর কয়া থোক্লকখি। মণিপুরগী মপান্দা লিংবা ট্রেনিং সেন্টরশিংদগী লৌরকপা দিগ্রী (বেল্ট/দান) গী পাউ তাবদা মহাক অদু মীওই মঙা তরাগা লায়না লম্বা পাঙম্বা, থাঙ-য়েপ্পুনা চৎলগা গুন্দাগী থবক তৌরম্বশিংদুবু লায়না খুদুম চনঙম্বা মীশক অমগুম লৌনরম্মী। মমা-মপা ওইবশিংনসু কুংফু, করাটে, জুদোনচিংবা মার্সিয়েল আর্ট'তা থৱায় য়াওবা মচাশিংবু ফুন-চৈনবা পাম্বা, ঙাওশিন ফৈজিন্নবা নহা ওইনা লৌনরম্মী। তোঙান তোঙানবা মখলগী ফুন-কাঙলোন ময়াম অসি শান্নবগী মশান্না ওইনা লৌনরকখিবদি কায়নথংদনি।

কুমজা ১৯৮২-দিল্লিদা পাঙথোকখিবা নেসনল গেমস অদুগী মতুংদদি মণিপুরগী শান্নরোয় অমদি মমা-মপা ওইবশিংগী ৱাখল্লোন্দা অচৌবা অহোংবা অমা লাকপা হৌরকখি। শান্নববু শিনফম অমা ওইনা লৌনরকখি। কুমজা ১৯৬৪ টোকিও ওলিম্পিক্সতগী ওলিম্পিক ইভেন্ট অমা ওইরকখ্রবা 'জুদো', কুমজা ১৯৭৮দা 'ওল মণিপুর জুদো এন্দ করাটে এসোসিএসন' লিংখত্তুনা মশান্না অনী অসিবু মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনরকখি। কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায়দগী 'অচোম শচিকুমার' না 'নেসনল জুদো চেম্পিয়নশিপ'তা সনাগী মেদল লৌদুনা পুৱারী শেম্বা হৌরকখি। মালোমদগী 'কাঙজম চন্দ্র' না মণিপুরগী অহানবা 'জুদোগী এন আই এস দিপ্লোমা' পায়রকখি। কুমজা ১৯৮৩, 'মণিপুর জুদো এসোসিএসন' শেমদুনা করাটে অমসুং জুদো তোখায় তোখায়নরকখি।

মতুংদদি, মুক্না মশান্নগা নক্নবা মশান্না ওইরম্বগী 'জুদো' - মণিপুর মীয়ামগীদমক পুবিরকপা মশান্না অমগুল্লকখি। কুমজা ২০০০ সিদনি ওলিম্পিক্স'তা য়াওদুনা মণিপুরগী লৌরেম্বম ব্রোজেশ্বরি - ইন্দিয়াগী অনীশুবা ওলিম্পিক ক্বালিফায়র, মণিপুরগীনা অহানবা জুদো ওলিম্পিয়ন ওইরকখি। কুমজা ২০০৮দা অতোপ্পা মীতৈ চনু অমসু (খুমুজম তোম্বী) বৈজিং ওলিম্পিক্কীদমক ক্বালিফাই ওইরকখি। অনীসিনা লোইবা নত্তে, কুমজা ২০১১ তাস্কেন্ট ৱর্ল্ড কপ জুদো চেম্পিয়নশিপ'তা সেঞ্চেংগী তকমান ফংদুনা মণিপুরগী থৌদাম কল্পনা - মালেমগী থাক্তা মেদল লৌবা ঙম্বী অমত্তা ঙাইরবা ইন্দিয়ন অমা হায়বদুগী মিংথোল পায়রি। তেল্লবা মতম অসিদা পিকখ্রবা লমদম অসিদগী অর্জুন এৱার্দ ফংলবী জুদোকা অনী থোক্লকখি - অঙোম অনিতা চনু অমদি খুমুজম তোম্বী। মদুনা অরোইবা নৎখিদে - কুমজা ২০১৮ য়ুথ ওলিম্পিক্স'তা লুপাগী তকমান ফংদুনা পুৱারীগী অনৌবা লামায় হাংদোরকখি, ময়াং ইম্ফালগী 'থাংজম তবাবী' না। কুমজা ২০২০ টোকিও ওলিম্পিক্সকীদমক হৈঙাংদগী লীকমাবম শুশিলা- মালেমগী ওইবা রেঙ্কিং'দা ৩৪শুবা মফম কন্দুনা কন্টিনেন্টেল কোটাগী অমত্তা ঙাইরবা ইন্দিয়াগী জুদো-সিট অদু লাউথোরকপা ঙাইরি।

অসিগুম্বা তানফম অসিদনি জুদো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী 'নেসনল সব-জুনিয়র এন্দ কেদেট জুদো চেম্পিয়নশিপ ২০১৯' পাঙথোক্লবগী চাউরবা থৌদাং অদু মণিপুর জুদো এসোসিএসন' দা শিন্নরকখিবা (ওক্টোবর ১৪দগী ১৯ ফাওবা)। লুপা লাক্ষ ৩০-৪০দগী তাদনা চঙগদবা, ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি পূম্নমক্তগী প্লেয়র অমদি ওফিসল লিশীংদগী তাদনা লাক্কদবা, চাউরবা থৌদাং অদু মণিপুর জুদো এসোসিএসন'না করম্না পাঙথোক্কনি হোয়ারুবা ... অচৌবা ৱাহং অমনি।

ওক্টোবর ১৪, নিংঙাইদনা থুংলখি। ষ্টেট ২৬, য়ুনিয়ন টেরিটোরি ৪দগী জুদো প্লেয়র, ওফিসল অমসুং মেনেজর/কোচ লোয়ননা জুদো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী ওফিসল ১০২৯, মণিপুরগী ভোলুন্টিয়র অমদি ওফিসল ৫০ অমগা। ইন্দিয়াগী জুদো চেম্পিয়নশিপকী পুৱারীদা অহানবা ওইনা ষ্টেট অমগী গভর্ণর'না মায়খুম হাংদোক্তুনা পাঙথোকপা নেসনল চেম্পিয়নশিপ - খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স' ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা মণিপুরগী গভর্ণর নাজমা হেপতুলানা ওক্টোবর ১৬তা হৌদোকখি।

নুমিৎ মরিনিগী অথোয় অহেন, অকন-অরিং য়েংনবা - ইন্দিয়াগী ষ্টেট খুদিংমক্না খন্নবদুমক চুম্লকখি। সব জুনিয়র-সেক্সন'দা নুপী অমসুং নুপা কাঙলূপ অনীমক্কী চেম্পিয়ন 'মণিপুর' গী প্লেয়রশিংনা ওইরগা কেদেট কাঙলূপ' তা নুপীমচাশিংনা অনীশুবা মফম কলহৌখি। দিসেম্বরগী অরোইবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা জুনিয়র নেসনল চেম্পিয়নশিপ অসিদসু ষ্টেটসিগী প্লেয়রশিংনা ষ্টেটসিগী মায় পুরক্কনি - চিংননীংঙাই লৈতে। চিংনরিবদি - 'সিনিয়র নেসনল চেম্পিয়নশিপ'তা মেদল অমা লৌবা ঙম্লক্দ্রা/ঙম্লক্লোইদ্রা হায়বসিনি। কুইরে, মণিপুরগী সিনিয়র প্লেয়রশিংনা মেদল অমা লৌবা ঙমদদুনা নেসনল চেম্পিয়নশিপকী নিপানশুবা মফম কনবা ঙমদদুনা 'নেসনল গেমস' কীদমক নুপাশিংনা ক্বালিফাই ওইবা ঙম্লক্ত্রিবা। হৌজিক্তি নুপী কাঙলূপ'সু মফম অদু কনবা ঙম্লক্তবগী থাক অদু লাক্লে। লুরিবদি মসিনি।

লৌশিং পুক্কে/খোমজিনবা- কৈথেল্লাকপম খুমনঙম্বা

# ঙকশম মরী নাহনবগী মরু ওইবা মরমশিং

অশোক-অপন য়াওবা, থবক কা হেন্না তৌরুবা নৎত্রগনা ইনফ্লেমেসন তৌবনা মরম ওইরগা মীওই কয়াদা ঙকশম নাবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লে। ঙকশম মরী নাহল্লকপগী মরম খেন্নবগী মতুংইন্না তোঙান তোঙানবা লায়েং মওংশিং লৈ।

ঙক্তা ভর্টিব্রি ৭ য়াওই। ভর্টিব্রিশিং অসি অমগা অমগা লৌশিন্নবা অদুগা অমগা অমগগী মরক্তা দিস্কশিংনা খনবা শরূশিংনি, মসিনা ঙকপু লেঙবা ওৎপা অমদি ষ্টেবল ওইনা লৈবা ঙমহল্লি।

য়াংলেং শরূ (স্পাইন) গী পরেংদা ঙক্কী শরুক অসি ঙাকথোক্ল বা কয়া য়াওদবা মফম্নি। মরম অসিনা শোকপা পনবা অমদি অনাবা ফাওহন্নবা মরমশিং য়াম্না তোয়না থোক্কল্লি। ঙক নাবা অসি অয়াম্বনা কয়া শাথিগন্দে অমদি নুমিৎ খরনিগী মনুংদা মথন্নতা ফজখি। অদুবু করিগুম্বা মতমদদি ঙক নাবা অসি হেন্না শাথিবা মরম অমগী খুদম ওইবসু য়াওই। ঙক নাহল্লকপগী মরমশিং অমদি করম্না ফহনগদগে হায়বগী মতাংদা নৈনমিন্নসি।

**ঙক নাহল্লকপগী মরমশিং:**

ঙক নাহল্লকপগী মরম কয়ামরুম লৈ, মখোয়শিংদুগী মনুংদা য়াওবা খরদি:

**মসল ষ্ট্রেন:** ঙক্কী মসলদা ষ্ট্রেন তৌবনা মফম অদুদা নাহনবা য়াই। মসিনা মরম ওইরগা ঙক লৈথোক লৈশিন তৌবদসু য়াম্না কা হেন্না নাবা ফাওহনবা য়াই। মসল ষ্ট্রেন তৌবা অসি য়াহীপ থীবা, তৃম্বদা ঙক মফম চানা লৈতবা, কম্প্যুটর পায়দুনা নৎত্রগা টেবলদা থবক শূদুনা মতম কুইনা ফম্বনচিংবদগী থোক্লকপা য়াই।

**সর্ভিকেল স্পোন্দাইলাইসিস:** সর্ভিকেল স্পোন্দাইলাইসিস নৎত্রগনা সর্ভিকেল দিস্ক দিজেনরেসন হায়রগা ঙক্কী ভর্টিব্রিশিংগী মরক্তা য়াওবা দিস্কশিং তুমশিল্লকপগী থৌওংবু খঙনৈ। দিস্কশিং অসি তুমশিনখিবদগী ভর্টিব্রিশিং অমগা অমগা তক্লবদগী ঙক নাবা অমদি ইফা ফাজিনবা থোকহল্লকই। দিস্কশিং অসি চহী য়ামশিল্লকপগী মতুংইন্না মথন্নতা তুমশিল্লকই, মরম অদুনা অহলশিংদনা হেন্না সর্ভিকেল স্পোন্দাইলাইসিসকী চৈথেং ফংই।

**শোকপা-পনবা:** ঙক অসি ফ্লেক্সিবল ওই অমদি মসিনা ঐখোয়গী কোকপু মতম চূপ্পদা পুরিবনি। মসিনা মরম ওইরগা ঙক অসি ইরায় লায়না অশোক-অপন থোকপা য়াই। ঙকতা অশোক-অপন থোকহনবা য়াবা মরমশিংগী মনুংদা- গাড়ী এক্সিদেন্ট, শান্ন-খোৎনবা, অৱাংবদগী তাবা, দাইভিং, ৱেথলিফটিং অসিনচিংবা য়াওরি। মসল নৎত্রগনা লিগামেন্টতা শোকপনা ঙকতা অশোক-অপন থোকহল্লি। খরা থীনা শোকপা মতাংদদি ঙক তেক-কায়বা ফাওবা য়াওই। ঙক তেক-কায়বা অসিনা নক্নবদা লৈবা স্পাইনেল কোর্দকী শরুকশিংদা চৈনাখোল ফাওহনবা য়াই।

**মেনিঞ্জাইটিস:** ব্রেন অমদি স্পাইনেল কোর্দপু কোয়শিনবা মেম্ব্রেনদা ইনফ্লেমেসন তৌববু মেনিঞ্জাইটিস কৌই। ইনফ্লেমেসন অসি বেক্টেরিয়া নৎত্রগা ভাইরসনা থোকহনবা য়াই। বেক্টেরিএল মেনিঞ্জাইটিস অসি য়াম্না শাথিবা য়াই, করিগুম্বা মতমদদি শিবা ফাওবা য়াওই। মখাদা পীরিবা লাইওংশিং অসি ইশাদা লৈরগদি খুদক্তা দোক্তরগা তান্নবিবা মথৌ তাই, মখোয়শিং অদুদি- ঙক লেঙবা য়াদবা, লাইহৌ, কোক চীকপা, ওনীংবা, ওবা, মঙাল উবা য়াদবা অসিনচিংবশিংনি।

**কেন্সর:** কোক অমদি ঙককী কেন্সরনসু ঙক নাবগী খুদোংচাদবা থোকহনবা য়াই। কোক অমদি ঙককী কেন্সর মখল কয়ামরুম লৈ, মখোয়শিং অদুগী মনুংদা- নেজল কেভিটি (নাতোন মখুল) এন্দ পেরাজেনেজেল সাইনস কেন্সর, লেরিঞ্জিএল কেন্সর, ওরেল কেন্সর, নেসোফেরিঞ্জিএল কেন্সর, সেলিভরি গ্লান্দ কেন্সর অসিনচিংবশিং য়াওরি। কোক অমদি ঙককী কেন্সরগীদি ঙক নাবা নত্তবা অতৈ লাইওংশিংদা-চীন লৈ চাথৎপা, খোঞ্জেল ওনবা, নীংশা হোনবা ৱাবা, চুবা নাবা, লাইহৌ, অরূম্বা হন্থরকপা অমদি কোক নৎত্রগনা ঙকসমদা অপোম-অতং লৈবা অসিনচিংবশিং য়াওই।

**ঙক নাবা ফনবা য়ূমদা তৌবা য়াবশিং:** ঙক নাবা ফনবা য়ূমদা ইশানা তৌজবা য়াবা কয়া লৈ। মখোয়শিং অদুদি:

- এসিটামিনেফেনগুম্বা দোক্তরনা প্রিস্ক্রাইব তৌদ্রবসু শীজিন্নবা য়াবা অনাবা ফহন্নবা হীদাক শীজিন্নবা।
- অনাবা ফনবগীদমক ৱার্ম নৎত্রগনা কোল্ড পেক ঙক্তা থম্বা
- শাথেংনবা স্পোর্টশিং নৎত্রগনা অরূম্বা থাঙ্গৎপগী থবক তৌদবা
- ফিজিকেল থেরাপিষ্টতা য়েংথোকপা
- গুদ পোসচর লৈহনবা
- য়োগগুম্বা অচম্বা শাজেল তৌবা
- তৃম্বদা ঙকতা ঙাক্লৌ পীবা মোন খাঙবা অসিনচিংবশিংনি।

য়াম্না কন্না নারগদি দোক্তরনা কোর্টিকোষ্টেরোইদ ইঞ্জেক্সন কাপ্পা নৎত্রগনা সর্জরি তৌনবা হায়রকপা য়াই।

**করম্বা মতমদা দোক্তরদা য়েংগদগে:**

অয়াম্বনা ঙক নাবা অসি মশা মথন্নতা ফজখি। অদুবু লাইওংশিং অসি লৈরগদি দোক্তরদা য়েংথোকপা মথৌ তাই:

- এক্সিদেন্ট তৌবা, অৱাংবদগী তাবা নৎত্রগনা দাইভিং তৌবদগী ঙক নাখিবা ওইরবা
- খোঙ-খূৎ ফাওবদা নাবা, শিথবা অমদি শোন্থবা শন্দোরক্লবা
- বোৱেল নৎত্রগনা ব্লাদ্দর প্রোব্লেমশিং
- য়াম্না কন্না নাবা অমদি নাবা অসুম হেঞ্জিল্লকপা
- ঙক নাবা অমদি লেঙবা য়াদবগা লোয়ননা কোক য়াম্না শাথিনা চীকপা
- লাইহৌ তৌবা
- ওবা অমদি ওনীংবা
- ঙক নৎত্রগনা কোক্তা অপোম্বা লৈবা অসিনচিংবশিংনি।



# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ১০৪ অমসুং লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ১০৫ গী ৱিন্নরশিংদা মনা খুৎশিন্নখ্রে



কৈশাম মেম্মী (লিটরেরি)



অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম (স্পোর্টস)

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস): হুইয়েন লানপাউ পাউচে অসিনা লেপ্পুনা চখরল্লিবা হুইয়েন লানপাউগী স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ১০৪গী ৱিন্নর ওইখ্রবা অনন্দকুমার খুঞ্জামযুম অমসুং লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ১০৫ গী ৱিন্নর ওইখ্রবী কৈশাম মেম্মীদা হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্সনা মনা খুৎশিন্নখ্রে।

সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায়দা লৈবা পাউচে অসিগী ওফিসতা পাঙথোকপা মনা খুৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ১০৫ গী ৱিন্নর ওইখ্রবী কৈশাম মেম্মী, মপুরোইবা কে গৌতম, ময়াং ইম্ফাল বজারদগীনি।

কৈশাম মেম্মীনা ফোঙদোকখিবদা, হুইয়েন লানপাউগী লিটরেরি ক্যুইজ অসিনা মণিপুরগী সাহিত্যগী ওইবা মচাক কয়াদা থোইনা হেন্না খঙহন্নিংবগী অমদি খঙনিংবগী ইহুল পোকহল্লি। তুং কোয়না অসিগুম্বা ক্যুইজ অসি পাঙথোকপীদুনা হৌরক্লিবা সাহিত্যবু পামজবা নহারোলশিংদা ইনোৎ অমা পীবা ওইসনু। ঐহাক মমাঙগী লিটরেরি ক্যুইজ কয়াদসু ৱিন্নর ওইখ্রে।

মণিপুরগী লম্বী-থোং অসি ইম্ফাল ময়োলদগী খজিক হায়দোকখিবদা থোইনা হেন্না ফবা হায়বদু ওইদ্রে। মসি ফগৎহনবা পামজৈ। মসিগা ঈরোয়ননা লাক্কদৌরিবা মণিপুরী নিংঙোলশিংগী কুক্মৈ নিংঙোল চাক্কৌবদা খুদোলপোৎ পীবদা হিদান্নবসি লেপ্পুনা মপাম লমদমগী মবুং-মৌপ্পা, অপোকপা, অপোকপীগা হরাও নুংঙাইনা অহাওবা চাক্লেন অমা চাবদা মীৎয়েং চঙলসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ১০৪ গী ৱিন্নর ওইখ্রবা অনন্দকুমার খুঞ্জামযুম (৫১), তাওথোং অয়ুংবা লমশাংদগীনি।

অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুমনা ফোঙদোকখিবদা, মমাঙদসু স্পোর্টস ক্যুইজগী ৱিন্নর কয়ারক হন্না ওইখ্রে। হন্দকসু অমুক হন্না ৱিন্নর ওইরকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা অসিগুম্বা ক্যুইজ কন্টেষ্ট অসি থম্বীবগীদমক পাউচে অসিবুসু থাগৎপা ফোঙদোক্লি। ঐহাক লিটরেরি ক্যুইজদসু অদুম্মক শরুক য়াজৈ। মসিনা ঐখোয়দা ৱাখল লৌশিং য়াম্না হেনগৎহল্লি। খঙলমদবা কয়া খঙলকই, থেংনরমদবা কয়া থেংনরকই। পূক্নিং ৱাখল য়াম্না নুংঙাই। লোয়ননা হৌরক্লিবা নহাশিং, মহৈরোয়শিংনা অসিগুম্বা কন্টেষ্টশিং অসিদা শরুক য়াহন্নিংই। মমা-মপা ওইবশিংনসু অঙাংশিংবু পূক্নিং থৌগৎপীয়ু। তন্নিবা মহৈখক্তদা মপূক্নিং লুপহন্দুনা এগজামদা মার্ক ৱাংনা ফংনবতা হোৎনদুনা লৈহল্লবদি মদু অরানবা ওইগনি। এক্সত্রা করিক্যুলম এক্টিভিটিজ কয়াদসু শরুক য়াহনবীগদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# অমজু অমসুং এদিটর গিল্ডনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ৱর্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু)গী মেম্বর ওইরম্বা সঙাই এক্সপ্রেস পাউচেগী সব-এদিটর ওইনা থৌ পুরম্বা য়ুম্নাম হোমরনা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা অমজু অমসুং এদিটর গিল্ডনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

অমজুগী প্রসিদেন্ট বিজয় ককচীংতাবমনা লুচিংদুনা ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা অমজুগী থৌ পুবশিং, মেম্বরশিং, এদিটর গিল্ডকী থৌমীশিংনা শরুক য়াদুনা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা অরোইবা ইকাই খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা মহাক্কী থৱায়না ঈংনা-চিক্না পোথারুনবা মিনিট ২ তুমিন্না লেপখি। লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়াখি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ফোটোদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ইকাই খুম্নবসু উৎখি। লৈখিদ্রবা য়ুম্নাম হোমরগী লোয়নবী অমদি মচানুপা অমা লৈহৌরি।

অমরোমদা, অমজুগী ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা লৈখিদ্রবগী য়ূমদা চৎতুনা ইমুং-মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াবগা লোয়ননা শেলগী তেংবাংসু পীখ্রে হায়না অমজুগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# চীং-তম কৈথেল

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস): সিটি ক্লব হৈরোক্না শীন্দুনা থা অসিগী ২৬ কী অয়ুক পুং ৬ তগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা সিটি ক্লবকী প্লে গ্রাউন্দদা মখল কয়াগী পোৎলম ফংগদবা নোংমগী ওইবা চীং-তম কৈথেল অমা পাঙথোক্লগনি হায়না সিটি ক্লবকী সেক্রেটরি এম অবোইনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, চীং-তম অনীগী মরী ফগৎনবা অমদি নুংশি-চান্নন হিংমিন্নবগী পান্দমদা থা অসিগী ২৬ কী অয়ুক পুং ৬ তগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা মখল কয়াগী পোৎলম ফংগদবা কৈথেল অসি ফমগনি। থা খুদিংগী ২শুবা থাংজ নুমীৎ খুদিংগী ফমগনি হায়রি।

# শিরুইদগী কচৌপুংগী লম্বী হন্দক্কী ৱার্কসিজনগী মনুংদা শেম্বা লোয়শিল্লগনি : নন্দকিশ্বর

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস): শিরুইদগী কচৌপুং ফাওবগী লম্বী য়াম্না থুনা লোয়শিন্নবা হোৎনরি। পেকেজ ৮ থোক্না শুবা হৌখিবা লম্বী শেম্বগী থবক পেকেজ অনী অমদি লোইশিনখ্রে। অহুম অমদি কন্না চৎথরি লোয়ননা অহুম অমনা থবক হৌনবা শেম-শাবা লোইরে হায়না রুরেল ইঞ্জিনিয়রিং দিপার্টমেন্টকী চীফ ইঞ্জিনিয়র থোকচোম নন্দকিশ্বরনা মহাক্কী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবগা থৌরম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, নোংমা-নীনিগী মমাংদা ইলেক্ট্রোনিক অমদি প্রিন্ট মীদিয়া খরদা শিরুইদগী কচৌপুংগী লম্বী য়াম্না ফত্রে অমদি লম্বী শেমদ্রে হায়খিবা লৈ। ৱাফম অসি দিপার্টমেন্ট অসিগী ওইনদি মীৎ-নাকোং ওইবা হায়বদু ওই। অদুবু হায়রিবা মফম অসি হৌখিবা চহী ২০১৪দা লম্বী শেম্বা লোইশিনখ্রবনি। হৌজিক ফত্তনা লৈরিবা অসি চীং নীংখাইরকপা অমদি মেট্রিক টন ৪০-৫০ লুম্বা গাড়িশিং তোয়না চৎপনা লম্বী অসিগী ফীভম শোকথরকপনি। লোয়ননা মহাক্না হায় নোর্থ ইষ্ট ইনভাইট টেন্দর (এন আই টি) থোক্তুনা হায়রিবা লম্বীশিং পাকথোকপগা লোয়ননা দ্রেন, রোদ গার্দনচিংবা অথুবা মতমদা শেমজিন শাজিনবগী থবক চৎথদুনা চহীসিগী ৱার্কিং সিজন অসিদা লোয়নবা হোৎনগনি। লাইবক থীবা হায়গদ্রা লম্বী অসিগী ওইনা টেন্দর অনীরক থোকখি অদুবু মায়পাকপা ঙমখিদে। পি এম জি এস ৱাইগী মখাদা লম্বী শেম্বা অসি চহী মঙাগী মনুংদা লোয়শিনবা ঙমহৌদ্রবদি ষ্টেটকী খুৎতা তারকই। ষ্টেটকী ওইনা পোলিসি ওইনা শেমখ্রবসু ষ্টেট অসিগী ওইনা শেন-থুমগী ফীভম ফত্তবনা ঙসি ফাওবদা শেল অমত্তা কাইরত্তনা লৈখি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

চীফ ইঞ্জিনিয়র নন্দকিশ্বরনা মখা তারদুনা হায়, লম্বী শেম্বদা চহী অমদা য়ামদ্রবদা ২০১৬দা ক্রোর ৯০ চংলম্মী অদুবু হৌজিক্তি ক্রোর ১০০ হেন্না চংলে। ষ্টেটনসু মখোয়গী ওইনা মতিক চাবা ফন্দ লৈতবনা ফন্দিং তৌবিদনা লৈখি। অদুবু ষ্টেজ টুগী শেনফম হন্দক চহীগী ফংলে অদুনা অথুবা মতমদা লম্বী শেম্বগী থবক হৌরগনি হায়খি। শিরুই-কচৌপুংগী লম্বী অসিগী চীংগী লৈবাক্কী সোইল অসি ক্রোমাইট য়াওবা চেত্তবা লৈপাক ওইবনা য়াম্না নিংখাইগনবা হায়বদু ওইবনা হায়রিবা লম্বীশিং অসিদা তোয়না লেন্দস্লাইদ থোকপা হায়বদুসু ওই। মরম অদুনা লম্বী শেল্লবসু কুইনা চৎপা হায়বদু ওইদে। লোয়ননা মহাক্না হায়, অতোপ্পা এজেন্সিনা লৌদুনা শেল্লিবা লম্বীশিং অসিসু পি এম জি এস ৱাই না শেম্বদৌনা খন্দুনা পি এম জি এস ৱাইদা তোয়না তায়নবা য়াওদবসু নত্তে। পি এম জি এস ৱাইনা শেল্লিবা লম্বী অসি রুরেল এরিয়াশিং খক্তদা শেম্বনি। মসিদসু পি এম জি এস ৱাইগী ওইনা চহী মঙা হেনখ্রগদি করিমত্তা তৌবা ঙমদে। মরম অদুনা লমদম অসিগী মীয়াম্না লান্না উবিরিবা অদু তৌবিগনু। শিরুইদগী কচৌপুং ফাওবগী লম্বী শেম্বগী থবক সিজন অসিগী মনুংদা লোইশিল্লগনি হায়নসু মহাক্না পাউমীশিংগা উনবগী থৌরম অদুদা ফোঙদোকখি।

RaDiant Group
Let Us Grow Together

Address: Corporate Office, Sega Road, Keishampat, Imphal-01

## Manpower Requirements

Date of Interview 23rd October 2019 at 10:30am

Interested Candidate may apply for the positions below with updated bio-data/Resume at the above given office from 10:00 am -4:00 pm

Mail us at radiantcorporatehr@gmail.com or SMS / WhatsApp us at +91-7642842266 with <Name><Position>

| UNIT | Position | Exp. | Post | Education | Salary |
|---|---|---|---|---|---|
| Corporate | Software Developer | 0-2 yrs. | 1 | IT Graduates | 10K to 15K |
| Corporate | Sr. Software Developer | 2-5 yrs. | 1 | IT Graduates and above | 15K to 20K |
| Corporate | Driver | 2-3 yrs. | 2 | VIII Pass | 5K to 8K |
| RaDiant E-Ride (Khumbong) | Site In Charge | 0-2 yr. | 1 | Preferably exp. in driving and field work monitoring | 7K to 10K |
| RaDiant E-Ride (Khumbong | Security | 0-2 yrs. | 2 | VIII Pass | 4K to 6K |
| RaDiant Fitness | Assistant General Manager (AGM) | 2-4 yrs. | 1 | MHM or MBA | 15K to 20K |
| RaDiant Fitness | Spa Therapist | 2-4 yrs. | 1 | N/A | 7K to 10K |
| RaDiant Fitness | House Keeping | 0-1 yr. | 2 | N/A | 4K to 6K |
| Hafo Organo Valley Project | Farm Supervisor | 2-3 yrs. | 1 | Experienced in Agro Farming | Negotiable |
| RaDiant Creative Agency | Designer | 1-3yrs. | 1 | Multimedia Certified | Negotiable |
| RaDiant Builders | Office Assistant | 0-1 yr. | 1 | 10+2 and above | 5K to 8K |

HL-B/5749/19-22oct.

Sd/- Human Resource Generalist, RaDiant Group

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২১।১০।২০১৯ ইং, নিংথৌকাবা, অয়ুক পুং ৬.৪৫ ফাওবা মেরাগী ২২নি পাল্লি, মতুংদি ২৩নি পাল্লনি।

মেষ : নুমিৎয়ুংবা ফাওবা লাইবক ফবা, মীচং লৈবা অমদি মরুপ-মপাংগী মতেং ফংবা লৈগনি। য়েক্না তিংখং লৈতবা অমদি হকচাংসু খিংবা নুমিৎনি। ঙাঙবদি চেশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল নুংঙাইনা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃষ : নুংথিলদা নীংবা থুংগনি, শেল-থুমগী থবক্তা য়াম্না কান্নগনি অমদি অরং-অরাক ফংবগুম নুংঙাইগনি। অফা-অপুনগী থবক্তা নীংবা থুংদবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন : অয়ুক্তা হরাওবা, নুংঙাইবা অমদি লাইবক ফবা খোঙশাল লৈগনি অদুনা অফবা/অরুবা থবক্তি অয়ুক পাংবা হৌহৌবা ফগনি। চিন য়াঙগনু, পংশিন্নৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - মীৱা লৌরদি কিবা পোক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট : থেংলপ্পা নীংবা থুংগনি, অনৌবা থৌরম পাংবা য়াগনি অমদি মরুপ-মপাং পুনবৈ নুংঙাইবা অমদি কান্নবা ফংগনি। অদুবু হেন্না ইচং থৌরদি লন ময়েং তাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংজৈ-নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

সিংহ : অয়ুক্তা শেল-থুম অমদি মীয়ামগা মরী ফবা লৈ অমদি লল্লোন ইতিক্তা য়াম্না কান্নগনি। ইকায়খুম্নবা অমদি অরং অরাক ফংগনি, ৱাঙাঙ হৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা : থবক পাংগনি, লন চংগনি, মীচং য়ামগনি অমদি অশা চাওবা কান্নগনি। অদুবু চিন শোইরগা লন ময়েং তাবা অমদি য়েৎনবনা মাঙজবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা : নুংথিলদা মীপাইরম্বা কোকচরগনি, নীংজরকপা অফবা থবক পাংবা য়ারগনি। মীরক চংলগদি হেন্না নুংঙাইগনি। মীৱা লৌরগনা ফত্তবা ৱাখল পোক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক : কাইনবা, থবক মাঙবা অমদি মীকোক থোংবা ৱাবা নুমিৎনি। খন্থবা অমদি পূক্নিং ফাথবনা য়াইফগদবা নুমিৎনি। মতাং চানা থৌনা ফুদোক্নবা হোৎনৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - হেন্না অশা চাওবা য়াদবা নুমিৎনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

ধনু : নুমিৎয়ুংবা ফাওবা য়াম্না কান্নগনি অমদি অনীংবা থবক পাংগনি অমদি শেল-থুম কান্নগনি। য়েৎনবা খরনা পূক্নিং পোত্থাহন্দবদি লৈগনি। নক্নবা মীদৈ চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মকর : নীংবা থুংগনি, লল্লোন ইতিক কান্নগনি, ইমুং-মনুং তানরগা পাংবা থবক খুদিং চাওনা মায় পাক্কনি। অফা-অপুন্নবা অমদি লোয়নৈ- লাংতক্নবা ফাথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্বা : থেংলপ্পা নীংবা থুংগনি, মীচং লৈগনি অমদি মীয়াম্না থাগৎপীগদবা নুমিৎনি। ঙক কল্লদি নথক থোংবনা তাথিবা লৈগনি। নাইতোম ৱারেপ লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিন : অশা চাওবা য়াদ্রি-মতম মাঙবনা হেনগনি। অকল-অথৌগী থবক অমদি লৈঙক্তি থবক পাংবা য়ারোই। নোল্লুক্না চৎপা অমদি মরুপ-মপাং লোয়নবনা শাফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ঈংথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।